# গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা পায়খৎলিবা ফেন্সিংগী থবক থৌরম রিভিয়ু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ঙসি রাজ ভৱনগী কনফরেন্স হোলদা রিভিয়ু মীফম পাঙথোক্তুনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা পায়খৎলিবা বোর্দর ফেন্সিংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে।



রিভিয়ু মীফম অদুদা গভর্ণর অজয় কুমারনা ঙমখৈ পরিংদা পায়খৎপা কন্সট্রক্সনগী থবক থৌরমশিংগী প্রোগ্রেস য়েংশিনখি। এদিশনেল দি জি বোর্দর রোদস (ইষ্ট) অমদি ২৫শুবা বি আর টি এফকী সী ও য়াওনা সিনিয়র বি আর ও ওফিসরশিংনা গভর্ণরদা ফেন্সিংগী থবক থৌরমশিংগী প্রোগ্রেস, ওপরেশনেল ইস্যু অমদি পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিগী পর্ফোর্মেন্সকী মতাংদা মরিক চুম্না পাউদমখি। ওফিসরশিং অসিনা সিক্যুরিটি অমসুং কম্বিনেশনগী মতাংদা নুংনাঙবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লেমহৌরিবা থবকশিং অসি হেন্না খোঙজেল য়াঙনা অমদি অয়েৎ-অপন য়াওদনা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক গভর্ণরদা রেক্কমেন্দেশন কয়া থমখি।

গভর্ণরনসু পায়খৎলিবা থবকশিং অসিগী প্রোগ্রেস খুমাঙ চাওশিল্লম্বদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা সপোর্টপীদুনা থবক অসি খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা ইন্টরনেশনল য়র ওফ কোওপরেটিভস (আই ৱাই সী) ২০২৫গী কনক্লেভতা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা শরুক য়াদুনা মফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাক্তুনা শেমগৎপা ষ্টোলশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা এগজিবিশন অসি শঙ্গাখ্রে।

কনক্লেভ অসি নবার্দনা দিপার্টমেন্ট ওফ কোওপরেশনগা খূৎশম্নদুনা ৭২শুবা ওল ইন্দিয়া কোওপরেটিভ ৱীক সিলেব্রেশনগী শরুক অমা ওইনা শীনবনি। কনক্লেভ অসিদা কোওপরেটিভ আর্টিসান অমদি প্রদ্যুসর গ্রুপ কয়াগী হৈ-শিংবা ক্রিএটিভিটি, ক্রাফ্টসমেনশিপ অমদি ইকোনোমিককী ওইবা পোটেন্সিএল কয়া উৎলি। গভর্ণরনা বেষ্ট পর্ফোর্মিং প্রাইমারি ক্রেদিট সোসাইটিজ (পি এ সী এস)গী মনাসু থৌরম অসিদা লান্থোকখি।

# বোসেমনা পুথোকপা লাইরিকশিংগী চে, প্রিন্টিং অমদি কন্টেন্টকী ক্বালিটিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

মথং চহীগী অনৌবা একাদেমিক সেসনদা তম্নবা লাইরিকশিং মতম চানা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুর (বোসেম)না পুথোকপা ঙমগদৌরিব্রা নৎত্রগা ঙল্লোইদৌরিব্রা হায়বগী মতাং য়াওনা বোসেমনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অসিগী চে, প্রিন্টিং অমদি কন্টেন্টকী ক্বালিটিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।




ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা অদুগা মরী লৈননা এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম জয় খুমননা ফোঙদোকখিবদা, বোসেমগী টেক্স বুকশিং অসি প্রিন্টিং ক্বালিটি, চেগী ক্বালিটি অমসুং মনুংদা য়াওরিবা কন্টেন্টশিংগী ক্বালিটি অসি এন সী ঈ আর টিনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিংগা য়াম্না খেন্নবগী মমি অমা উরিবসি করিগীনো হায়বদু অখঙ-অহৈ কয়াগা তানদুনা থিদোকমিন্ননবা হোৎনরি। বোসেমনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অসি ক্বালিটি লৈনা পুথোক্কবা অমদি মহৈরোয়শিংদা হেন্না কান্নগদবা মওংদা পুথোকপা ঙম্নবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু তানদুনা মরী লৈনবশিংদা খোঙলৈ থুনা রেক্কমেন্দেশন ওইনা থল্লগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, বোসেমদা চয়েৎনবা কয়া লৈবনা অমদি পেপরগী মতাংদা ৱাথোক লৈবনা মরম ওইরগা মথং চহীগী সেসন নংনবা লমদমসিদা লৈরিবা স্কুলশিংদা লাইরিক ফংহনবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙল্লোইদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। বোর্দনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং মতম চানা অনৌবা সেসনগী মমাঙদা ফংবা ঙমহন্দ্রবদি তোঙানবা পাম্বৈ অমা লৈঙাক্লা শীনগদৌরিব্রা, শীনবা তারবদি করি করম্বা পাম্বৈ ওইগদৌরিবনো অমদি তোঙানবা মপানগী ফর্ম কয়াদগী লাইরিক তম্বা য়ারোই হায়বা লৈঙাক্কী অকনবা ইন্সট্রক্সন লৈবনা মপানগীসু তমদা, বোসেমগীসু মতম চানা পুথোকপা ঙমদ্রবদি অঙাংশিংদা চাওনা মাঙজবা অমা ওইরক্কনি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা থিমিন্নগদ্রা নৎত্রগা বোসেমনা মতম চানা পুথোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বদু খন্ন-নৈনবসিদা ফংলকপশিং অদু মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা মতম চানা ফোঙদোকহৌদুনা অঙাংশিংবু কলহৌবা ঙম্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

# রিমসতা ভলন্টিয়র ২২না ওর্গান দোনেট তৌগনি হায়দুনা ৱাশকখ্রে, দিজিটেল ফেসিলিটি কয়া হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী নর্সিং ওফিসতা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. এন সঞ্জিব য়াওনা ভলন্টিয়র ২২না শিরবা মতুংদা ওর্গান দোনেট তৌগনি হায়না ৱাশকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




রিমসকী চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসি লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাইদগী ভৈমিসদা রাজকুমারীগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ কুমারীগী ইমুং অমদি লাইফ সেভর্স মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা শীনবনি। থৌরম অদুদা ভলন্টিয়র ২২না শিরবা মতুংদা ওর্গান দোনেশন তৌগনি হায়না ৱাশকখিবা অদুদা লাইফ সেভর্সকী মেম্বর ৯, রিমস হেল্প দেস্ক ষ্টাফ, রিমস ষ্টাফ ২ অমদি ভৈমিসদা রাজকুমারীগী মরুপ অমদি ইমুং-মনুং ১৩ য়াওখি।

থৌরমগা মরী লৈননা প্রো. এন সঞ্জিবনা ফোঙদোকখিবদা ওর্গান দোনেশন হায়বসি ব্লদ দোনেশনগী মথংদা খ্বাইদগী নোবল ওইবা মীওইবগী এক্ট অমনি। অদুবু মীয়াম্না ওর্গান দোনেশনগী মতাংদা চিংনবা লৈবদগী লান্না পাউ শন্দোকপগী মমি তাবা উরি। ইন্সটিট্যুট অসিদা দোনেট তৌরকখিবা ওর্গানশিং অসি ষ্টদি খক্তগী শীজিন্নে হায়না মীয়াম্না খন্নরিবসি অরানবনি। ওর্গান দোনেশননা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিনা ঙম্নবসু হোৎনরি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, রিমসকী হোস্পিটাল এক্সপরিয়েন্স ফগৎহন্নবা অমসুং পেসেন্টশিংনা লায়েংবগীদমক ঙাইবগী মতম হন্থহন্নবগী পান্দমদা ইন্সটিট্যুট অসিনা পেসেন্ট ফ্রেন্দলি ওইবা অনৌবা দিজিটেল ফেসিলিটি কয়া হৌদোক্লে হায়না রিমসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নৌনা হৌদোকখিবা দিজিটেল ফেসিলিটিশিংগী মনুংদা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেশন সিষ্টম, স্কেন এন্দ শ্যের ফেসিলিটি, এ বি ঐচ এ আই দি ক্রিএশন কাউন্টর, টোকন দিস্পেন্সর মেছিননচিংবা য়াওরি।

ওনলাইন রেজিষ্ট্রেশন সিষ্টমগী খূত্থাংদা পেসেন্টশিংনা মখোয়গী ও পি দি এপোইন্টমেন্টশিং অদু সেন্টর লৈঙাক্কী ও আর এস পোর্টেলদা চঙদুনা বুক তৌবা য়ারগনি। স্কেন এন্দ শ্যের ফেসিলিটিনা ও পি দি রেজিষ্ট্রেশন কাউন্টরদা মী ঙাইনবগী খূদোংচাদবা মায়োক্নরিবা অদু হন্থহনবা ঙম্লগনি। এ বি ঐচ এ আই দি ক্রিএশন কাউন্টরনা মোবাইল এপ্লিকেশনগী খূত্থাংদা পেসেন্টশিংগী এ বি ঐচ এ আই দিশিং লায়না শাবা ঙমহল্লগনি অমসুং টোকন দিস্পেন্সর মেছিনশিংনা ও পি দি কন্সল্টেশন অমদি ইনভেষ্টিগেশনগী টোকনশিং লায়না জেনরেট তৌবা ঙমহন্দুনা মীয়ামদা খূদোংচাহল্লগনি হায়রি।

# নিপানশুবা নেচুরোপেঠি নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

'নেচর ক্যুর টু ক্যুর নেচর' হায়বা পান্দমদা নিপানশুবা নেচুরোপেঠি নুমিৎকী থৌরম ঙসি ককচীং চুম্নাং মচিন মনাও চীংদা লৈবা অনন্দ সিং যোগ এন্দ নেচর ক্যুর রিসর্ছ হোস্পিটালদা পাঙথোকখ্রে।




খা মণিপুর যোগ এন্দ নেচর ক্যুর এসোসিএশন ককচীং অমসুং লায়ন্স ক্লব ওফ ককচীং গ্রেটর ৩২২ দি অনীনা পূন্না খূৎশম্নুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দি জোন ১৪গী লায়ন্স ক্লবকী জোন চ্যেরপর্সন উত্তমকুমার নাওরেম, চান্দেলগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর ডা. নাওরেম মুনাল অমসুং খা মণিপুর যোগ এন্দ নেচর ক্যুর এসোসিএশনগী চীফ ফঙ্কশনরি ডা. রাজকুমারনা থৌরম মপূশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ডা. ময়াংলম্বম রাজকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, নেচুরোপেঠিগী লায়েং মখল অসি মহাত্মা গান্ধীনা য়োকখৎনবা হোৎনরম্বগা লোয়ননা নেচুরোপেঠিগী ওইবা ওল ইন্দিয়া নেচর ক্যুর ফাউন্দেশন হায়না মিংথোনবা বোদি অমা ইন্দিয় লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুশকী মখাদা শেমখি। নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা নভেম্বর ১৮ অসি নেচুরোপেঠিগী নুমিৎ হায়না শকখঙবগা লোয়ননা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি। চহী অসিগীসু সুর্য্য ফাউন্দেশন অমসুং ইন্টরনেশনল নেচুরোপেঠি ওর্গনাইজেশননা শীন্দুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নেচুরোপেঠিগী লায়েং অসি নেচরগী ওইবা মীওইবগী হকচাংদা শোকহন্দবা, অনাবা মখল কয়া ফহনবা ঙম্বা অমসুং হকচাং ফনা থম্নবগী লায়েং মখল অমনি। অসিগুম্বা লায়েং পথাপ অসি মীয়াম্না নীংথিনা খঙবা অমসুং লায়েং পথাপ অসিগী মতুংইন্না হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

৮শুবা নেচুরোপেঠি নুমিৎকা মরী লৈননা অনন্দ সিং যোগ এন্দ নেচর ক্যুর রিসর্ছ হোস্পিটালদা অনাবা মখল কয়া লেম্না লায়েংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না অনন্দ সিং যোগ এন্দ নেচর ক্যুর রিসর্ছ হোস্পিটালদা থা ৬ চথুরকখিবা ট্রিটমেন্ট এসিষ্টেন্ট কোর্স (যোগ এন্দ নেচুরোপেঠি)দা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা কোর্স লোইবগী শকখঙ চেশিংসু য়েন্থোকখি।

# পি এম এফ বি ৱাইগী মখাদা লম্লক্কী শানা এটেক তৌবদা অমদি লৌ ঈশিং থুমজিনখিবগী অমাঙবশিং কভর তৌরগনি

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

প্রধান মন্ত্রি ফসল ভিমা যোজনা (পি এম এফ বি ৱাই)গী মখাদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংনা এটেক তৌরকপদা অমসুং লৌ ঈশিং থুমজিন্দুনা অমাঙ-অতা থোক্লকপা কয়াদা লৌরোক মাঙখিবগী খূদোংচাদবশিং অদু কভর তৌরগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর্স ৱেলফেয়রনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিনা হায়, রিভাইস তৌরবা ফ্রেমৱর্ক অমগী মখাদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংনা এটেক তৌরকপদা লৌরোক মাঙবা অসি লোকেলাইজ রিস্ক কটাগোরি ৫শুবা এদ-ওন কভর মখাদা শকখঙলগনি। ষ্টেটশিংনা অসিগুম্বা লৌরোক্তা অমাঙ-অতা থোকহনবা লম্লক্কী শা-উচেকশিংগী লিষ্ট নোটিফাই তৌদুনা ভলনরেবল ওইবা দিষ্ট্রিক্টশিং মশক খঙদোক্লগা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকদবনি। লৌমীশিংনা খূদোংচাবা অসি লৌনবগীদমক লম্লক্কী শা-উচেকশিংনা এটেক তৌরক্তুনা লৌরোক অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অদু ক্রোপ ইন্স্যুরেন্স এপ্লিকেশন শীজিন্নদুনা পুং ৭২গী মনুংদা রিপোর্ট তৌরক্কদবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লম্লক্কী শা-উচেকশিংগা লৌমীশিংগা তোয়না থেংনদুনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লিবা ওরিষা, ছটিশগর, অসাম, মেঘালয়, মণিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমদি হিমাচল প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংগী লৌমীশিংদা চাওনা খূদোংচাহল্লগনি। মসিদা নৎতনা লৌ ঈশিং থুমজিনখিবনা অমাঙ-অতা থোকপদসু য়াম্না মাঙবা ওইহল্লরোই হায়রি।

# এস সী পি সীনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

সগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (এস সী পি সী)না সগোলবন্দগী অর্বান প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (য়ু পি ঐচ সী)গা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা ঙসি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইগী ঙানু লম্পাক্তা এ সী অসিগী এম এল এ আর কে ইমোগী মীৎয়েং মখাদা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

হেল্থ কেম্প অসি কুমজা ২০২২দগী হৌনা এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্তুনা লাকপা স্পেসল আউটরিচ হেল্থ কেম্পকী শরুক অমা ওইনা কম্যুনিটি হেল্থ সর্ভিস হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পাঙথোকপনি। ফ্রী হেল্থ কেম্প অদুদা জেনরেল ও পি দি কন্সল্টেশন, আই ও পি দি, এন্টিনেটেল চ্যেক-অপ, ফ্রী লেবোরেটরি টেষ্ট, অয়ুশ ও পি দি অমদি দাইবেটিস অমসুং হাইপরটেন্সনগী স্ক্রিনিংনচিংবা হেল্থ ক্যের সর্ভিসশিং মীয়ামদা লেম্না ফংহনখি। মসিদা নৎতনা শরুক য়াখিবা মীওই কয়াদা লেম্না হীদাক-লাংথক কয়া য়েন্থোকখি। এম এল এ আর কে ইমোনা অসিগুম্বা কেম্প অসি অতোপ্পা মফমদসু পাঙথোকখিগনি হায়খি।

# সেন্টরনা পীবা গাইদলাইন ইন্দবনা মণিপুর লৈঙাক্লা...

*লমায় ৩গী মখা...*

চহী ২৫ মপূং ফানা থবক তৌরকখ্রবা এস বি দি মতম-মতমগী মথৌ তারকপা (এমেন্দমেন্টশিং) হাপচিন্দুনা চৎনরিবা অমসুং মণিপুরগী কন্ট্রেক্টরশিংনসু অয়েৎপা অমত্তা লৈতে। পি এম জি এস ৱাইগী ওঠোরিটি ওইরিবা এন আর আই দি এনা শেমদোকউসু হায়দবা, হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা চৎনরিবা মণিপুরগী কন্ট্রেক্টরশিংনসু টেন্দর থাবা য়ারিবা এস বি দি অদু মরম শুংলৈ লৈতনা শেমদোকপীয়ু হায়না সী ঈ ও কম কম্মিস্নরনা এস বি দি রিলেক্সেসন তৌবীয়ু হায়না চে ইরমখি হায়বসি কোন্না খঙলকপনি। মরম লৈতনা মণিপুর খক্কী এস বি দি শেমদোক্লিবসি কম্মিস্নর/সী ঈ ও এম এস আর দি এ অমসুং দি জি এ এন আর আই দি এ অনীনা কনাগুম্বা খরগী খূদোংচানবা শেমদোকপনি হায়খি।

শেমদোকউসু হায়দবদা শেমদোকচগে হায়না চেরোল পীশিনবা হায়বসিদি মীওই খরগা লৌতুনবগী মওংনি। কন্ট্রেক্টর্স এসোসিএশন ফোরমনা হায়জবদা য়ারক্তবদগী দেল্লীদা চৎতুনা সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম অমা হকথেংননা পীশিল্লুরে। সেন্টরগী ৱাফমদি চহী অসিগী জুলাই ১১গী ওর্দরগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবা টেন্দর তৌদ্রিবা/লোইদ্রিবা, থবক হৌদ্রিবা থবক খূদিংমক দ্রোপ তৌরগনি হায়না খঙহল্লক্লে।

পি এম জি এস ৱাইগী থবক পায়রিবা নেশনল রুরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট এজেন্সীনা থোকপা ওর্দরগী ৱাংমদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদ দিভেলপমেন্ট এজেন্সী (এম এস আর আর দি এ)না নম্ফুদা টেন্দর লৌশিন্নবা হোৎনরকপদগী মণিপুর কন্ট্রেক্টর্স এসোসিএশন ফোরমনা কোর্টতা ৱাকৎপদগী চহী অসিগী ওক্টোবর ৩০দা তাবা মণিপুর হায় কোর্টকী ওর্দরনা থবকশিং হায়বদি পি এম জি এস ৱাই-৩ সেঙ্কশন তৌখ্রবা থবক ৫৬ অমসুং থবক ৪১ পূন্না থবক ৯৭ অসি দ্রোপ তৌরে হায়না লৌরে হায়খ্রে।

মরমশিং অসিনা মণিপুরগী পি এম জি এস ৱাই-৩গী থবকশিং পায়খৎপা ঙমদ্রিবসি মতিক চাবা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর অমসুং চীফ ইঞ্জিনীয়র লৈতবা, মীওই খরগা লৌতুনবা অমদি অনীংবা অপাম্বা মওংদা দিপার্টমেন্ট চল্লাইবগীনি। মসিগী তেকচাক পূম্বা সী ঈ ও, দি জি এন আর আই দি অমসুং এম এস আর আর দি এ/আর ঈ দিনা পুগদবনি হায়না আর দিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং মণিপুরগী গভর্ণরদা অইবা চে থাদুনা হায়জখ্রে।

পি দব্লিয়ু দি ওইগেরা পি এম জি এস ৱাই-ৱর্ক্স পায়রিবা এম এস আর আর দি এ/আর ঈ দিবু ওইগেরা নৎত্রগা পি এস য়ু অমসুং ইঞ্জিনীয়রিং সেল মচা-মচা শেমগৎতুনা মণিপুর পি দব্লিয়ু দি রেজিষ্টর কন্ট্রেক্টরশিংদা থবক পীদনবা হোৎনবা থৌওংনি। ইন্দিয়াদা চৎনরিবা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না করম্না টেন্দর পীগনি, পি এম জি এস ৱাই-৩গী অশোয়বা অমসুং অচুম-অরান থিদোক্কদবনি। মসিদা মণিপুরগী কন্ট্রেক্টরশিংবু নাথৈদুনা থল্লম্বা য়ারোই লোয়ননা মণিপুরদা তৌরিবা টেন্দরশিং অসি কাঙলোন চুন্লিব্রা নৎত্রগা লাল্লব্রা হায়বদু থিদোক্লবা সী বি আই নৎত্রগা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসনদা শীন্নবীয়ু হায়রি।

# সেন্সিটাইজেশন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

সঙাই ফর্ষ্ট ফাউন্দেশন মণিপুরগী সেক্রেটরি কে ঐচ বুধনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা ঙসি মোইরাংগী এদভান্স ইন্টর্মিদিএট কোলেজগী ওদিটোরিয়মদা সঙাই দেগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা স্কুল মহৈরোয়শিংগী সেন্সিটাইজেশন প্রোগ্রাম অমা সঙাই ফর্ষ্ট ফাউন্দেশননা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ৱাই মোধু অমদি সঙাই ফর্ষ্ট ফাউন্দেশনগী মেনেজিং ট্রষ্টি ডা. কে ঐচ শমুঙৌনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা মহৈরোয় ৫তনা শরুক য়াদুনা রিটন স্পোট ক্যুইজ কম্পিটিশন অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় ৮ ৱিন্নরশিং ওইনা খনগৎতুনা মনা য়েন্থোকখি হায়রি।

# নৌনা শাবা ইমর্জেন্সি কন্ট্রোল রুম হাংদোক্লগনি

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৮(ঐচএনএস):**

মণিপুর ফায়র সর্ভিস হেদ ক্বার্টর ইম্ফালগী নৌনা শাবা ফায়র এন্দ ইমর্জেন্সি কন্ট্রোল রুম অমা হয়েং নভেম্বর ১৯গী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গারগনি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিস এন্দ হাউসিং কোর্পোরেশনগী দিরেক্টর এ দি জি পি অসুতোশ কুমার, মণিপুর লৈঙাক্কী হোম কম্মিস্নর অশোক কুমার, মণিপুর ফায়র সর্ভিস হেদ ক্বার্টরগী দিরেক্টর লাইশ্রম নবচন্দ্র অমদি য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিরেক্টর অমদি হোমগী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরিবা ভেটোনচিংবা শরুক য়াগনি। নৌনা শাবা ইমর্জেন্সি কন্ট্রোল রুম অসিনা মীয়ামগী অথু-অকায়গী পাউ পীরকপদা হেন্না খূদোংচারগনি হায়রি।


## ꯃꯤꯡ / NAME CORRECTION

I, Ningthoujam Checkbill Singh, a resident of Leimaram Mayai Leikai, P.O. & P.S. Nambol, Bishnupur District, Manipur do hereby declare that I have corrected my son's name from Ningthoujam Lakbill Singh to Ningthoujam Lakbill vide an affidavit sworn before the Oath Commissioner, Imphal West, Manipur dated 18.11.2025.

Sd/- **Ningthoujam Checkbill Singh**
F/o Ningthoujam Lakbill

HL-P/4041/19

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref: Mut. Case No. 701/AS&SO-X Dt. 17/11/2025**

(1) Ruhina D/o Late Fajur Rahaman of Minuthong Golapati Yaripok Leikai.
(2) Kh. Sajida D/o Late -do- of -do- - Applicants

-Vs-

Late Mohmad Fajur Rahaman S/o Muhamuddin of Yaripok Tulihal Mayai Leikai. -Opp

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dated, 18/11/2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল Porompat খুল নং 26 (A) Nongpok Ingkhol, পাট্টা নম্বর 1052/1787 (অরিবা) 513 (অনৌবা), দাগ নং 406, এরিয়া .0218 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি (1) Ruhina D/o Late Fajur Rahaman of Minuthong Golapati Yaripok Leikai, (2) Kh. Sajida D/o Late -do- of -do- দা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X,**
DSLR, Manipur

HL-P/4051/19

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref: Mut. Case No. 702/AS&SO-X Dt. 17/11/2025**

(1) Md. Altaf Hussain S/o Late Md. Fajur Rahaman of Minuthong Golapati Leikai.
(2) Md. Iqubal Hussain S/o Late -do- of -do-
(3) Md. Imaran Hussain S/o Late -do- of -do-
(4) Md. Mujibur Rahaman S/o Late -do- of -do-
(5) Md. Mujibur Rahaman Sheikh S/o Late -do- of -do- - Applicants

-Vs-

(L) Muhmad Amir @ Fajur Rahaman S/o Haji Musamuddin of Yairipok Tulihal at present Golapati. -Opp

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dated, 18/11/2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল Porompat খুল নং 26 (A) Nongpok Ingkhol, পাট্টা নম্বর 1220/1370 (অরিবা) 35 (অনৌবা), দাগ নং 371, এরিয়া .0535 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি (1) Md. Altaf Hussain, (2) Md. Iqubal Hussain, (3) Md. Imaran Hussain, (4) Md. Mujibur Rahaman, (5) Md. Mujibur Rahaman Sheikh তা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X,**
DSLR, Manipur

HL-P/4051/19

## DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯂꯣꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 17th November 2025

No. 6/2/2025-DMU/EXM/COV: It is hereby informed to all concerned that the subject topper list for the PG Examinations 2020 - 2024 published in the local dailies on 16 & 17 November, 2025 is purely a tentative topper list.

In case of grievances in connection with the published topper list may kindly be contacted the undersigned on or before 21st November 2025.

Any complaint after the stipulated date will not be entertained. If any changes occur, a revised topper list may be published.

Inconvenience caused is deeply regretted.

This is issued with the approval of the Competent Aurhority.

Sd/-
**Th. Jayantakumar Singh**
Controller of Examination
Dhanamanjuri University

HL-B/10008/18 & 19

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-II, IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 81/AS&SO-II Date : 18/11/2025**

1) Md. Altaf Hussion S/o Late Md. Fajur Rahman of Minuthong Golapati Mayai Leikai.
2) Md. Mujibur Rahman S/o Late Md. Fajur Rahman of Minuthong Golapati Mayai Leikai. - Petitioners

-Vrs-

Late Fajur Rahman S/o Late Muhammudin of Minuthong Golapati Mayai Leikai. - OP

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Imphal, 18/11/2025

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 102-Haffiz Hatta পাট্টা নং. 29 অরিবা, 13/258 (A) অনৌবা দাগ নং. 13/343 (P), এরিয়া .018 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Md. Fajur Rahman অসি মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৫/১১/২০২৫ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিদা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-II**
Imphal East, Manipur

HL-P/4050/19

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case 291/SDC/BPR-2025**

1. Thokchom Dhiren Singh S/o (L) Th. Kameshwor Singh of Toubul Mayai Leikai. - Petitioner

-Vrs-

Late Co-Pattadar No. 4 : Oinam (N) Thokchom (O) Sophia Devi W/o Th. Dhiren Singh of Toubul Mayai Leikai. - Opposite Party

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Bishnupur, the 14th November, 2025

Under Section 43(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৮-বিষ্ণুপুর খাদা লৈবা পাট্টা নং ৫৩৯ (অরিবা) ১৮০ (অনৌবা) C.S. Dag No. ১০৬০গী ০.১৭০০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং. ৪ Oinam (N) Thokchom (O) Sophia Devi W/o Th. Dhiren Singh of Toubul Mayai Leikai অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু কো-পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল শরুক ০.০৩৫ একর out of ০.১৭০০ একর on the eastern side অসি Petitioner No. 1 গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাট্টাদার অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি/য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/4057/19

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case 293/SDC/BPR-2025**

1. Koijam Chaobiton Devi W/o (L) K. Kalachand Singh of Bishnupur Ward No. 4
2. L. Sunita Devi W/o (L) K. Janeshwor Singh of Bishnupur Ward No. 5 - Petitioners

-Vrs-

Late Co-Pattadar No. 1 : Koijam Janeshwor Singh S/o Ibohal Singh of Bishnupur Ward No. 5. - Opposite Party

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Bishnupur, the 17th November, 2025

Under Section 43(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৮-বিষ্ণুপুর খাদা লৈবা পাট্টা নং ৭১৪ (অরিবা) ৬৪ (অনৌবা) C.S. Dag No. ১০৮৮গী ০.১৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং. ১ Koijam Janeshwor Singh S/o Ibohal Singh of Bishnupur Ward No. 5 অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু কো-পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল শরুক ০.০৬ একর out of ০.১৬ একর অসি Petitioner No. 1 গী মমিংদা অদুগা ০.১০ একর out of ০.১৬ একর অসি Petitioner No. 2 গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাট্টাদার অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি/য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/4057/19